## রোজর ফেদরর থাক নেম্না লৈবা দোনস্কোয়গী মখুৎতা মায়থীখ্রে

# এন্দি মরে, গেল মোনফিলসনা দুবাই ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

দুবাই, মার্চ ০২ :

রোজর ফেদররনা মফম অসিদা চথরিবা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা রসিয়ন ক্বালিফাইয়র ইভজেনি দোনস্কোয়গী মখুৎতা সেট অহুমদা মায়থীদুনা নিংবা কায়না লৈহৌরে।





চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মহাক্কী ১৮শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখিবা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফেদররনা অনীশুবা সেটকী টাইব্রেকতা মেচ পোইন্ট লৌখি অমদি অহুমশুবা সেটকী ব্রেকরদা ৫-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১১৬ শুবদা লৈরিবা দোনস্কোয়না নিংথিনা খুৎ হন্দুনা শান্নরকপদগী অহুমশুবা সীদপু নম্মৎতুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

রসিয়ন অসিনা ৩-৬, ৭-৬ (৯/৭), ৭-৬ (৭/৫) দা মায় পাকখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দ মেচতা ফ্রেঞ্চকী লুকাস পৌল্লেগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

দোনস্কোয়না হায়খি, ঐনা মীয়াম পুন্নমকপু ঙকহনখ্রে। ফেদররবু মায়থীবা পীখিবা অসি মশামক ঙক্লমগনি। মঙলান্দা থোকপা অদু তাইবঙদা অচুম্বা ওইনা থোক্লবনি হায়না ঐনা হায়বা ঙম্মী অদুবু ঐনা মসি পামদে মরমদি নংনা মতম পুন্নমক্তা মায় পাকপা পাম্মী হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফেদররবু ক্বালিফাইয়র অমনা মায়থীবা পীবসি কুমজা ২০০৭ তগী হন্দক্কী অসিগা থারগা অহুল্লকশুবসু ওইরে।

অতোপ্পা মেচতা টোপ সীদদে এন্দি মরেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা গুইল্লরমো গার্সিয়া-লোপেজবু ৬-২, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মরিশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখিবা অদুগী মতুংদা মরেনা অহানবা টুর্ণামেন্ট ওইনা ওপন অসিদা শান্নরিবনি। টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা বৃটোন অসিনা ১৭শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা গার্সিয়া লোপেজবু মায়থীবা পীখিবদা মিনিট ৭২ চঙখি। মরেনা অহানবা সেটকী মরিশুবা গেমদা গার্সিয়া-লোপেজনা য়ৈখিবা সার্ভ মঙাগী মনুংদা অহানবা অদু ব্রোক তৌখি।

মরেনা হায়খি, ঐনা মেচ অদু নিংথিনা শান্নখি। অদুবু মরক্তা অহোবা খরা লৈখ্রবসু মেনখৎতুনা শান্নখিবনা ওপোনেন্টপু নম্মৎপা ঙমখি হায়না মহাক্না হায়খি।

অনীশুবা সেটতা সার্ভতা পোইন্ট অমখক দ্রোপ তৌখিবা মরেনা মথংগী মেচতা ফিলিপ্প কোলসক্রেবরগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। কোলসক্রেবরনা অনীশুবা রাউন্দদা দানিল মেদভেদেবপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মরেনা কোলসক্রেবরগী মতাংদা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না শান্নমিন্নখ্রে। ঐখোয়না কৃক কৃক ইন্ননা শান্নবা য়াওখি। মহাক অসি হৈথোই-শিংথোইবা মীওইনি। মহাক্না কোর্টকী এঙ্গলশিং নিংথিনা শিজিন্নৈ। মহাক্না স্পিনশিংগা লোয়নদুনা শান্নৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মরিশুবা সীদদে গেল মোনফিলসনা দান ইভান্সপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মোনফিলসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লেফট হেন্দর ফর্নান্দো ভার্দাস্কোগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ভার্মাস্কোনা স্পানিশ কম্পেট্রিওট রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটপু ৬-৪, ৩-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

লুকাস পৌল্লেনা ক্বালিফাইয়র মারিয়ুস কোপিলবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। লুকাস পৌল্লেনা মথংগী মেচতা ইভজেনি দোনস্কোয়গা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। রোবিন হাসনা মঙাশুবা সীদদে টোমাস বার্দিচপু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। রোবিন হাসনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দামির ঝুমুরগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ঝুমুরনা মার্সেল গ্রানোল্লের্সপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

## চেন লোং, লিন দাননা জর্মন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে

বার্লিন, মার্চ ০২ :

চিনাগী এস বেদমিন্টন প্লেয়র লিন দান অমদি চেন লোংনা মফম অসিদা চথরিবা জর্মন ওপনগী মেন'স সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।





নৌনা রিও ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চেননা জপানিজ প্লেয়র কেন্টা নিশিমোটোবু ২১-১০, ২১-৯ অদুগা মল্টিপল ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন লিননা ইন্দিয়ন প্লেয়র সিরিল ভর্মাবু ২১-১৩, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

অমরোমদা, টোপ ইন্দিয়ন শট্লর কিদম্বি শ্রীকান্টনা স্লোভাকিয়াগী অলেন রোজবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেম্পেন মায় পাক্না হৌখি।

শ্রীকান্টনা লোপ-সাইদেদ ওইখিবা ওপনিং রাউন্দ কন্টেষ্ট অদুদা অলেনবু মিনিট ২১ চঙনা শান্নখিদুনা ২১-৪, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা জপানগী য়ুসুকে ওনোদেরাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা, সুভাঙ্কর দেনা চিনাগী ঝাও জুনপেংবু ১৬-২১, ২১-১৭, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা হোংকোংগী মঙাশুবা সীদ এন জি কা লোং অঙ্গসকা মায়োক্লনবা খোঙফম শেমখি। অদুগা অতোপ্পা মেচতা হর্শিট অগরৱালনা য়ু এস এগী বজোর্ন সেগুনবু ১৮-২১, ২১-৮, ২১-৬ তা মায়থীবা পীখি। হর্শিটনা মথংগী মেচতা নিপানশুবা সীদ হোং কোংগী হু য়ুনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পশিংগী মনুংদা সিরিল ভর্মা অমদি হরশীল দানিনা মখোয় মখোয়গী মেন'স সিঙ্গলসতা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি অদুগা টানভি লাদনা নুপী সিঙ্গলসকী ওপনিং রাউন্দদা মায়থীহৌদুনা য়াম্না ঙন্না টুর্ণামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

টানভিনা ইন্দোনেসিয়াগী প্রিস্কিলা সিহায়াগী মখুৎতা ১৪-২১, ১২-২১ দা মায়থীখি। অদুগা হর্শীলনা চাইনিজ টাইপৈগী তরুকশুবা সীদদে চৌ টিয়েন চেনগী মখুৎতা ১৩-২১, ১২-২১ দা মায়থীখি।

রাহুল যাদভ চিট্টাবোইনা অতোপ্পা মেন'স সিঙ্গলসকী ওপনিং রাউন্দ মেচতা ইজরেলগী মিশা জিলবর্মেনগী মখুৎতা ১৮-২১, ১৮-২১ দা মায়থীহৌখি।

## ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিদা বি সি সি আইগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীরগনি

### *ইন্দিয়া ক্রিকেট টিমগী সপোর্ট ষ্টাফনা চাদা ২৫ হেনগৎননবা হায়রকপবু য়াখিদ্রে*

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০২ : ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিবু অহুমশুবা ওইনা বি সি সি আইগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র (২০১৬) এৱার্দ পীননবা খনগৎখিবগা লোয়ননা মার্চ ৮ দা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা বি সি সি আই এন্যুএল এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা কোহলিনা পোলি উম্রিগর এৱার্দ ফংলগনি।



বি সি সি আই এৱার্দ ৱিন্নর (২০১৫-১৬) : ক্লোনেল সি কে নায়ুদু লাইফটাইম এচিবমেন্ট এৱার্দতা রাজিন্দর গোইল অমদি পদ্মাকর শিভালকর। বি সি সি আই লাইফটাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ ফোর ৱিমেনদা সান্থা রঙ্গশ্বামি।

বি সি সি আই স্পিসল এৱার্দতা ভি ভি কুমার অমসুং লৈখিদ্রবা রামাকান্ত দেসাই। পোল্লি উম্রিগর এৱার্দতা ভিরাট কোহলি। দিলিপ সর্দেসাই এৱার্দ (কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজ সেরিজদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা ক্রিকেটর) তা আর আশ্বিন।

লালা অমরনাথ এৱার্দ (রঞ্জি ট্রোফিগী খ্বাইদগী ফবা ওল-রাউন্দর) তা জলাজ সক্সেনা (মধ্য প্রদেশ)। লালা অমরনাথ এৱার্দ (দোমেষ্টিক লিমিটেদ ওভর কম্পিটিসনদা খ্বাইদগী ফবা ওল-রাউন্দর) তা অক্সর পটেল (গুজরাট)।

মাধভরাও সিন্দিয়া এৱার্দ (রঞ্জি ট্রোফিদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) তা শ্রীয়াস আয়র (মুম্বাই)। মাধভরাও সিংহ এৱার্দ (ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) তা শাহবাজ নাদীম (ঝরখন্দ)।

এম এ চিদম্বরম ট্রোফি (অন্দর-২৩ কোল. সি কে নায়ুদু ট্রোফিদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) দা জয় বিষ্টা (মুম্বাই)। এম এ চিদম্বরম ট্রোফি (অন্দর-২৩ কোল. সি কে নায়ুদু ট্রোফিদা ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) দা সৈত্যাজিৎ বাচভ (মহারাষ্ট্র)। এন কে পি সালভে এৱার্দ (অন্দর-১৯ কূচ বেহার ট্রোফিদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) দা অরমন জাফর (মুম্বাই)। এন কে পি সালভে এৱার্দ (অন্দর-১৯ কূচ বেহার ট্রোফিদা ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) দা নিনাদ রাথভা (বারোদা)।

রাজ সিংহ দুঙ্গারপুর এৱার্দ (অন্দর-১৬ ভিজয় মার্চেন্ট ট্রোফিদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) দা অভিশেকশর্ম্মা (পঞ্জাব)। রাজ সিংহ দুঙ্গারপুর এৱার্দ (অন্দর-১৬ ভিজয় মার্চেন্ট ট্রোফিদা ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা) দা অভিশেখ শর্ম্মা (পঞ্জাব)।

জগমোহন দালমিয়া এৱার্দ (সেনিয়র, বেষ্ট ৱিমেন ক্রিকেটর) দা মিথালি রাজ (রেলৱেজ)। জগমোহদ দালমিয়া এৱার্দ (জুনিয়র, বেষ্ট ৱিমেন ক্রিকেটর) দা দীপটি শর্ম্মা (উত্তর প্রদেশ)।

বেষ্ট অম্পায়র ইন দোমেষ্টিক ক্রিকেট এৱার্দতা নিটিন মেনন অমসুং বেষ্ট পার্ফোমেন্স ইন বি সি সি আই দোমেষ্টিক টুর্ণামেন্ট এৱার্দতা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসন্না ফংলগনি।

অমরোমদা, বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী সপোর্ট ষ্টাফকীদমক চাদা ২৫ হেনগৎননবা লৌখিবা ৱারেপপু য়াখিদ্রে।

সপোর্ট ষ্টাফ অসিদা য়াওরিবশিংগী মনুংদা বেটিং কোচ সঞ্জয় বাঙ্গর অমদি ফিল্ডিং কোচ আর শ্রিধরনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্তা বি সি সি আইনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসি য়াবা ঙম্লোই। হৌখিবা রেজিমদা চাদা ১০০ হেনগৎলগনি হায়না ৱাশকখিবনি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইংলেন্দ টেষ্ট সেরিজ মনুংদা ষ্টাফ মেম্বরশিংনা মতমদুগী সেক্রেটেরি অজয় সির্কে অমদি তুংদা প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরগা উনদুনা চাদা ১০০ হেনগৎকনি হায়বগী অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

## ইন্দিয়ন ৱিমেন টিমগী চীফ কোচনা শান্নরোয়শিংবু ভোপালদা ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০২ :

হান্নগী দটচকী ৱিমেন'স নেসনল কোচ সজোর্দ মারিজনবু লাক্লিবা মথং চহী মরিগী ইন্দিয়ন ৱিমেন'স হোকি টিমগী চীফ কোচ ওইনা হাপ্লে হায়না হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।



মারিজননা ফেল্লো দটচমেন অমদি সেনিয়র ৱিমেন হোকি টিমগী এনালাইটিকেল কোচ ওইনা চার্জ পুরগদবা ইরিক ৱোনিঙ্কনা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি। কোচিংগী দো অসিনা অনৌবা ওলেম্পিক সার্কলগীদমক ইন্দিয়ন সেনিয়র ৱিমেন'স টিমগী প্রোগ্রামশিং য়েংশিনগনি। হৌজিক ভোপালদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) দা প্রোগ্রাম চথরিবা নেসনল কেম্পতা মারিজন অমদি ৱোনিঙ্কনা জোইন তৌখ্রে।

নৌনা নুপী টিমগী চীফ কোচ ওইনা হাপখ্রবা মারিজননা হায়খি, ঐনা মসিগী অনৌবা থৌদাং অসি লৌবদা নুংঙাইবা ফাওই। ঐনা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমগীদমক মথৌ তাবশিং অদু পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। মখোয় অসি হৈথোই শিংথোইবা অমদি হোৎনবা কনবা নুপী গ্রুপনি অমদি মখোয়না মশামক্না মালেমগী হোকিদা খ্বাইদগী মশক থোকপা অরিংবা টিম অমা ওইনবা শেমগৎচনবগী থৌনা অদু লৈ হায়না ঐনা থাজে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নেদরলেন্দসকীদমক শান্নখিবা মারিজননা দটচকী অন্দর-২১ ৱিমেন'স সাইদপু লুচিংদুনা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌহনখি অমদি কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলদা দটচকী সেনিয়র ৱিমেন'স সাইদপু গোল্ড মেদলসু লৌহনখি।

কুমজা ২০১১ দগী ২০১৪ ফাওবা মারিজননা নেদরলেন্দসকী মেন'স অন্দর-২১ গী নেসনল হেদ কোচ ওইনা থৌ পুখিবগী মথক্তা অতেনবা মতম খরগী ওইনা লিওনিং মেন চিনাগী থৌগায়সু পুখি।

অমরোমদা, হোনিঙ্কনা হোকি টোপ স্পোর্ট ত্রবান্ট আর টি সি দেন বোসচকী টেলেন্ট সেন্টরদা ট্রেনর ওইনা থবক তৌরি। টেলেন্ট সেন্টর অসি কুমজা ২০২৪ গী ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংবু মতেং পাংনবা লিংখৎপনি।

কুমজা ২০১২ দগী ২০১৪ ফাওবা মহাক্না ঐচ সি দেন বোসচকী এসিষ্টেন্ট ট্রেনর/কোচ ফাষ্ট লেদিজ টিমগী থৌ পুরিঙৈ মনুংদা টিমনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা অনীরক অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

হোকি ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটেরি এম দি মুশটাগ অহমদনা হায়খি, সজোর্দ মারিজন অমদি ইরিক ৱোনিঙ্কনা অনৌবা ওলেম্পিক সার্কলদা সেনিয়র ৱিমেন'স টিমগা পুন্দুনা থবক তৌমিন্নগদবা অসিদা ঐখোয়না হরাঊবা পোকই। ৱিমেন'স টিমনা কুমজা ২০১৬ কী ৱিমেন'স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি লৌবা ঙমখিবা অসিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মতীং লৈনা চঙশিল্লক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, নুপীগী টিম অসি পোটেন্সিএল লৈবা অমদি হৈথোই-শিংথোইবনা লাক্কদবা চহীশিংদা অফবা রিজল্টশিং পীবা ঙমগনি অমদি সজোর্দ অমদি ইরিকনা টিমনা মায় পাক্না হায়গৎলকপদা মতেং পাঙলগনি। মখোয়বু অফবদা ওইনবা ঐনা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## রোহন বোপান্না, মার্সিন মাটকোৱাস্কিনা দুবাই ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

দুবাই, মার্চ ০২ :

সিজন অসিগী মহাক্কী মরিশুবা পার্টর ওইনা মার্সিন মাটকোৱাস্কিগা পাদুনা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্নানা দুবাই দ্যুটি ফ্রী টেনিস চেম্পিয়নশিপকী দবলস সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।





অনসীদদে ইন্দো-পোলিশগী জুরা অসিনা রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্গি অমদি সার্বিয়াগী ভিক্টর ট্রোইক্কিবু য়ু এস দি ২,৬১৭,১৬০ হার্দ কোর্ট টুর্ণামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থাবা পীখি।

সিজন অসিগী ওপনিংদা বোপান্নানা মহাক্কী কম্পেট্রিওট জীভন নেদুনচেঝিয়নগা পাদুনা চেন্নাই ওপনগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা সিজন অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্সসু ওইরে।

বোপান্না অমদি মাটকোৱাস্কিনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওপনিং রাউন্দদা অনীশুবা সীদ ইভান দোদিগ অমদি মার্সেল গ্রানোল্লের্সপু ৫-৭, ৬-৩, ১১-৯ দা মায়থীবা পীখিবনি।

বোপান্নানা সেমী ফাইনেল মেচতা কম্পেট্রিওট লীএন্দর পেস অমদি স্পানিশ পার্টনর গুইল্লর্মো গার্সিয়া লোপেজ নৎত্রগা অহুমশুবা সীদ কনাডাগী দানিএল নেষ্টর অমদি ফ্রেঞ্চমেন ইদৌর্দ রোজর-ভাসেলিন অনীগী মরক্তা অমগা শান্নরগনি।


চেম্পিয়নশিপ অসিগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়ন অমত্তা শরুক য়াদ্রে। প্রাজনেশ গুনেশ্বারননা ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী ১২৪শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মারিয়স কোপিলগী মখুৎতা ২-৬, ২-৬ তা মায়থীহৌখি।

## মারিন সিলিক, দোমিনিক থিয়েমনা মেক্সিকো ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

অকাপুলকো, মার্চ ০২ :

ৱর্ল্ড নম্বর টু নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা এ টি পি অকাপুলকো মেক্সিকো ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অর্জেন্টিনাগী জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।





টুর্ণামেন্ট অসিগী লাষ্ট আইটতা টোপ সীদ মরি অমসু খুমাঙ চাউশিনখি। মখোয় অদুদি অনীশুবা সীদদে রফেল নদাল, অহুমশুবা সীদদে মারিন সিলিক অমদি মরিশুবা সীদদে অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দোমিনিক থিয়েমনি।

জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবা অদুদগী সীদদে জোকোভিচনা চয়োল অসিদা অহানবা ওইনা কোর্টতা হল্লকখিবনি। মহাক্না হান্নগী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন দেল পোট্রোগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। পোট্রোনসু ওপোনেন্টকী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখিদুনা মেচ পোইন্ট অমা লৌবা ঙমখিদুনা সার্ভিস ৱিন্নর ওইখি অদুবু জোকোভিচপু মতম কুইনা লাকথুদুনা থন্বদি ঙমখিদে।

জোকোভিচনা হায়খি, হৌখিবা চহী ১/২ অসিদা ঐনা দেল পোট্রোগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ খুদিংমক্তা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখি। তশেংনা মদুমনা শান্নবা অদু নুংঙাইবা পোকই। ঐনা মেচ অসি মায় পাকপদা চাউথোকপা পোকই। হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সার্বিয়ান অসিনা ক্বার্টর ফাইনে মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিওগিসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। নিক ক্রিওগিসনা অমেরিকান দোনাল্ড য়ঙবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা, অনীশুবা সীদদে রফেল নদালনা পাওলো লোরেঞ্জিবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা এ টি পি অকাপুলকো টুর্ণামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা রোজর ফেদররগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা মতুং মহাক্কী অহানবা টুর্ণামেন্ট ওইনা শান্নরিবা অকাপুলকোগী অনীরক ৱিন্নর ওইখ্রবা স্পেনগী নদালনা রেঙ্ক ৩৮ দা লৈরিবা লোরেঞ্জিবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীখি।

নদালনা মহাক্কী সার্ভতা পোইন্ট তরেৎ দ্রোপ তৌখি অমদি ব্রিক পোইন্ট অমত্তা মায়োক্লবা তৌখিদে। নদালনা মথংগী মেচতা জপানগী য়োশিহিটো নিশিওকাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। নিশিওকানা ওষ্ট্রেলিয়ন লক্কি লুজর জোর্দান থোম্পসনবু ৬-৪, ৩-৬, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অহুমশুবা সীদদে মারিন সিলিকনা ফেল্লো ক্রোসিয়ন বোর্না কোরিকপু ৬-৩, ২-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না ষ্টেভ জোন্সনগা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নগনি। জোন্সননা অমেরিকান ৱাইল্ডকার্দ ইর্নেষ্টো ইস্কোবেদোবু মায়থীবা পীখি।

## মারিয়া সরাপোভাদা ইটালিয়ন ওপনগী ৱাইল্ডকার্দ খুৎশিন্নখ্রে

রোম, মার্চ ০২ : মঙারক গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মারিয়া সরাপোভাদা লাক্লিবা মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইটালিয়ন ওপনদা শান্ননবগীদমক ৱাইল্ডকার্দ পীখ্রে হায়না ওর্গনাইজরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা দ্রগ শিজিন্নরুবগীদমক থা ১৫ গী অথিংবা লৈরিবা অদু হেক লোইবগা লাক্লিবা এপ্রিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টুটগার্টতা হল্লক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

ওর্গনাইজরশিংনা ওফিসল ওইনা অহুল্লক রোম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মারিয়া সরাপোভাদা ৱাইল্ডকার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম ট্বীটরদা থাগৎলকপা ৱারোলদা ফোঙদোরক্লি। সরাপোভানা কুমজা ২০১৬ কী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা টেষ্ট তৌবদা মেলদোনিয়ম শিজিন্নরম্বগী খুদম চাংদম ফংখিবা মতম অদুদগী টেনিস শান্নদনা লাকখিবনি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No.-729
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Only25 Seats per class(each section)
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE 2017
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
COHSEM
Sc. & ARTS
Foundation Course for x and xii
ARTS & Sc.
CBSE
Class XII SC. 23rd Feb. 2017
Class XII Arts 23rd Feb. 2017
Foundation Course for X: 20th Feb
Time: 5-7.30am
Time: 4.30-7.30pm
Time: 6.30-10.30pm
Wanted one male and female warden and one cook
Separated Boys, Girls Hostel, Van Service, Library facility #7308911167/9862992105
HL-B/3619/17-17 Mar.(Alt.)